**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-08-2026)**

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা সরকারগী খুদোংচাবশিং ফংহন্দুনা মখোয় মখোয়গী অপান্বশিং অদু থুংহনবা অমদি লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লন্বীদা মাংজিল থানবা হোৎনবনা নীংতম্বগী চপ চাবা ৱাহন্থোক ওইগনি। মালেমদা ভারতপু খ্বাইদগী মাংজিল থাবা লমদম অমা ওইহনবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম শরুক য়াবা তঙাইফদে।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানিগী থোংদা ৮০ শুবা নীংতম নুমিৎকী মাংওইননা জাতিগী মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীয়াম চাদা ৬৫ দি চহি ৩৫ গী মখাদা লৈ। নহা ওইরিবা মীওইশিং অসিনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লননি। তোঙান তোঙানবা লমশিংদা হৈথোই শিংথোইরবা নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা লৈবাক অসিবু মাংজিল থাহনবদা চাউনা শরুক য়ারি।

**১৫ আগষ্ট (এল) ঃ** মনিপুরদসু ৮০ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। ইম্ফাল সহরগী মরুওইবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী হোজং শারে। লন্বীগী নাক য়েৎতা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল থেৎলি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা হয়েং পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা রাস্ত্রিয়া সেলুটকা লোয়ননা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকনি। থৌরম অসিদা মাস পার্স পেরেড অমগী সলামিসু মুখ্য মন্ত্রিনা ওক্কনি।

তোঙান তোঙানবা মনা মথুমশিংসু মুখ্য মন্ত্রিনা য়েন্থোক্কনি। কংলা

সংস্কৃত্তিগী ওইবা থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসশিংদসু নীংতম নুমিৎ পালন পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

ন্যু দিল্লিদা হয়েং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ৮০ শুবা নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিগী লাল কিলাদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকনি অমদি জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

থৌরম অসি অকাশবানি ইম্ফালনসু কংলা অমসুং সঙাই চেন্নেলদা অয়ুক পুং তরেৎতগী হৌদুনা থৌরম অসি লোয়দ্রিবা ফাওবা শন্দোক্কনি। মসিনা মরম ওইরগা হয়েং অয়ুক্কী পুং তরেৎ মখায়গী পাউ অসি সমাচার প্রভাদ, মোরনিং ন্যূজ অমসুং নোর্থ ইষ্ট ন্যুজ লোইরবা মতুংদা শন্দোক্কনি।

**মেসেজ (এল)ঃ** ৮০ শুবা নীংতম নুমিৎনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-লৈবাক অসিবু নীংতম্বা ফংহল্লম্বা থৌনা ফরবা মরৈবাক নীংবা, কৎথোকপদনা মথৌদাং ওইরবা মখোয়বু ঐখোয়না কৈদৌনুংদা কাউফদে। মতম পুমমক্তা ইকায় খুমফম থোকই। ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা পুন্না লেপমীন্নদুনা নুংশি চান্ননা চাউখৎ লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিনমীন্নসি। রাজ্য অসিসু তংদু লৈতাবা, চাউখৎপা অমসুং নুংশি চান্নবগী লমদা লেপ্পা লৈতনা মাংলোমদা চংশিল্লক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিগী থৌনা ফরবা মীওই কয়ানা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অসিগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। রাজ্য অসিদা তুং কোইনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমদি অমনা অমবু থাজনবা পুরকবগী লমদা মাংলোমদা চংশিল্লি। ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা

হোৎনমীন্নদুনা রাজ্য অসিবু নুংঙাই য়াইফবা চাউখৎপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমীন্নরসি।

মনিপুর বিধান সভা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা নীংতম্বা পীরমখিবা মখোয়বু কৈদৌনুংদা কাউফদে। নীংতম্বা অসি তরাইনা ফংখিবা নত্তে, অৱা অনা কয়া মায়োকরবা মতুংদা ফংখিবনি। ঐখোয়না অফবা নাগরিকশিং ওইদুনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থানবা হোৎনবদা মখোয়বু ইকায় খুমবা উৎপনি।

গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা নহা ওইরিবশিংনা লৈবাক অসিবু কৎথোকপা অমসুং পুকচেল শেংবগা লোয়ননা মাংলোমদা চংশিন্নবা ৱারেপ লৌমীন্নরসি।

**মনা (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মেদল ফোর দিসটিংগুইস সার্ভিস অমসুং মেদল ফোর মেরিতোরিয়স সার্ভিসগীদমক মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেল তরেৎ য়াওরে।

মখোয়শিং অদুদি-প্রসিদেন্ট মেদল ফোর দিসতিংগুইস সার্ভিসগীদমক আমর্দ পুলিস সব-ইন্সপেক্তর-লোকেন্দ্রো সিংহ অরাম্বম, মেদল ফোর মেরিতোরিয়স সার্ভিসগীদমক-ইন্সপেক্তর জেনরেল নিংসেন ৱাঙম, কম্মান্দেন্ট-শর্ম্মা দেবী খোইস্নাম, কম্মান্দেন্ট-ব্রুংপম কছার, হলবিলদার-লৈবোন লেম্বোই কোম, সুবেদার-ইরুংবম শ্যামসুন্দর অমসুং সুবেদার-বিরলা সোরাইশম য়াওরি।

**পার্টিসন (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়রি-১৯৪৭ তা ভারত-পাকিস্তান হায়না খায়দোকখিবা অদু ইচম চমা থৌদোক অমা নত্তে। মদু মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখিবা অমদি অৱানা অনা কয়া নংখিবা খ্বাইদগী ৱাবা থৌদোক

অমনি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিলবপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা-পার্টিসন হেররসগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-১৯৪৭ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারতপু অনি থোকা খায়দোকখিবা নুমিৎ অদুদা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা থেংনখিবা অৱাবা কয়া, মীওই কয়াগী পুন্সি কৎথোকখিবা অমদি মীওই কয়া লৈফম লৈহনখিদবা থৌদোক অদুবু লৈবাক অসিনা নীংশিংদুনা লৈহৌনবা ভারত সরকারনা নুমিৎ অসিবু পার্টিসন হেররস রেম্মেরেন্স ডে হায়নদুনা ২০২১ দা লাউথোকখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-ভারতপু অনি থোকা খায়দোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখি অমসুং লম-থুম কয়া অমাং অতা থোকহনখি। অদুবু থৌদোক অদুদা হিংহৌবা লৈবাক অসিগী মীওই কয়ানা লৈবাক অসিবু নৌহৌননা শেমগৎপদা অচৌবা লৌখি। পার্টিসিনগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা মিনিট তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা, আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়ল য়াওনা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা পার্টিসন হোররস রিম্বেরেন্স ডে, ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা থম্বাল শঙলেনদসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী এম.পি. অধিকারিময়ুম সরদা দেবী, এম.এল.এশিং, বি.জে.পিগী করিয়াকরতাশিং শরুক য়াখি।

**কিল্ড(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী আই.টি. রোডতা লৈবা লিয়াংমৈ নাগাগী

খুল-লংকাদা ঙসি অয়ুক মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপ্লকপদা মীওই অনি শিরে, অনিনা শোক্লে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ঙসি অয়ুক খুঞ্জাশিংনা লৌবুক্তা থবক শুরিঙৈদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা থবক শুরিবা মীওইশিং তমা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদবনি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওই অনি অদু হেলিকোপ্তরদা ইম্ফালদা পুরক্তুনা  রিমসতা হোস্পিতাল লায়েংলি। মীওই অমগী ফিভম লুনা লৈরি হায়রি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** তমেংলোং বিধান সভাগী এম.এল.এ. জংহেমলুং পামৈনা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চৎতুনা মফম অদুদা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে।

এম.এল.এনা নন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজেস (এন.সি.দি) গী ব্লোক অমসুং হোস্পিতাল ব্লোকশিং শেমগৎ শাগৎলিবশিং অদু কয়া য়ামা খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বদু য়েংশিনখি। থবক থৌরমশিং অদুদা অপেনবা পোক্তুনা এম.এল.এনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লমখি। খোঙচৎ অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসারসু লোয়নখি হায়রি।

**নোনে(এল)ঃ** নোনে জিলাদা নুমিৎ হুমনি চুপা চত্থরকপা জন সুনৱালি (পব্লিক গ্রীভান্স এন্দ এনতাইতলমেন্ট) কেম্প ঙসি লোয়শিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনবা থৌরম অসি জিলা অসিগী আদি সেভা কেন্দ্রশিংদা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি আদি কর্মাযাগী অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকপনি। মসিদা খুদক্তা মীয়ামদা অনৌ অনৌবা স্কিমশিংদা মিং হাপচিনবা, চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংদা দিজিটেল রেজিষ্ট্রেসন তৌনবনচিংবা য়াওরি।

**থৌবাল(এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা এন.আর.সি. তৌদ্রিবঁদা সেন্সস তৌনবা থৌরাং তৌরিবা অসি খুদক্তা লেপ্লীনবা জোইন্ট মৈতৈ কোওর্দিনেটিং কমিতি-থৌবাল হাউখা, কিয়াম সিফাই, ৱাইথৌ অমসুং থৌবাল খুনৌগী ইমা ইবেলশিংনা ঙসি বাবু বজারদা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। মীয়ামনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

**ঠিয়েটর(এল)ঃ** হায়দ্রবদাকী রবিন্দ্রনাথ ঠিয়েটরদা পাঙথোকখিবা ২০ শুবা অভিনয়া নেসনেল ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল ২০২৬ তা মনিপুরগী প্লে বনিয়ন রিপরেটোরি ঠিয়েটরগী 'লম্মন' হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উৎখি।

নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোকখিবা দ্রাম ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী ঠিয়েটর কয়ানা শরুক য়াখি।

**মীলাল(এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) না শিনদুনা থা অসিগী অনিদা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী মীতৈ ময়েক চাংদমবগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

মীলালগী চেরোল অমনা হায়-চাংদমবা অদুদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ১৩ শরুক য়াখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোক্কদবা মীলালগী ২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা য়েন্থোক্কনি।

**ভিসিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-ঐখোয়না হৌজিক নীংতমা হিংলিবা অসি ইপা ইপুশিংনা কৎথোক্লম্বগী মহৈননি।

ন্যু দিল্লিদা পার্টিসন হোররস রিমেম্বরেন্স ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমকা জাতি অসিবু অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবনা মপুং ওইবা থৌদাং ওইগদবনি। লৈবাক অসিনা নীংতম্বা পুন্সি অমা ফংলিবা অসি মাংলমচৎতা থৌনা ফরবা মীওই কয়ানা

কৎথোক্লম্বননি হায়বসি কৈদৌনুংদা কাউরোইদবনি। অসিগুম্লবা অমগা অমগা শেৎন-খায়নবগী অৱাবগী মীকুপ অসি লৈবাক অসিদা তুংদা অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহগা ভারত লান্মীগী কম্মনৱেলথ গেমসতা তকমান লৌরকখিবা মীওইশিংগা হকথেংননা ডন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ভারত লান্মীগী কন্টিজেন্টনা হন্দক পাঙথোকখিবা গেমস অসিদা সনাগী তকমান ৮, লুপাগী ৭ অমসুং শেঞ্জেংগী অমা য়াওনা পুন্না তকমান ১৬ লৌরকখিবনি।

থৌরম অদুদা শ্রী রাজনাথনা হায়-খাঙবা কনবা অমসুং নীংখিবদা হোংবা লৈতবা ৱাখল্লোননা অসিগুম্বা নুংঙাইরবা মীকুপ অসি পুরকপা ঙম্বনি। লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা লান্মীশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লি।

**দুরান্দ ঃ** ১৩৫ সুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপগী ক্বাটর ফাইনেল লাইনঅপ শেম্বা লোইরে।

অহানবা ক্বাটর ফাইনেল লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ঝারখন্দগী বিরসা মুন্দা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী এফ.সি. রেংদাইগা স্পোর্তিং ক্লব দিল্লিগা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নগনি। এফ.সি. রেংদাইগী টিম ঙসি রাঞ্চিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অনিসুবা ক্বাটর ফাইনেল নুমিৎ অসিমক্তা কোলকাতাদা ইন্দিয়ান আর্মি ফুটবোল টিমগা ইষ্ট বেঙ্গল এফ.সিগা শান্নগনি। অহুমসুবা ক্বাটর ফাইনেল কোলকাতাদা মোহন বগান সুপর জাইন্টকা জামসেদপুর এফ.সিগা অদুগা মরিসুবা ক্বাটর ফাইনেলনা শিল্লোং লাজোং এফ.সিগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ এফ.সিগা শান্নগনি।

সেমি ফাইনেল থা অসিগী ১৯ অমসুং ২০ দা শান্নরবা মতুং থা অসিগী ২৩ দা কোলকাতাদা ফাইনেল শান্নগনি।

**টেনিস ঃ** কনাদিয়ান ওপন টেনিসতা পোলেনগী ইগা সুইতেকনা ইলেনা রাইবেকিংবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইতল লৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসতা-আমেরিকাগী বেন সেলতননা মহাক্কী লম্বা ব্রান্দন নাকাসিমাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৭-৬ তা থোইদুনা তাইতল লৌখ্রে।